ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ ꯁ꯭ꯄꯣꯔꯇ꯭ꯁ

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস

Tuesday, February 23, 2021, Imphal                                    Page 11



ইন্দিয়াগী হৌজিক ফাওবদা মায়থীবা নংদ্রিবা মমিং লৈরবা প্রোফেসনেল বোক্সর অমসু ওইরিবা অদুগা মহাক্কী মতুংদা লাক্কদবা লম্বা অদুগী মমিং অথুবা মতমদা লাউথোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা বোক্সর বিজেন্দর সিংহ

জর্মনি অমসুং বেলজিয়মগী টুরদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ২২না ফেব্রুৱারী ২৮দগী শান্নবা হৌগদৌরিবা অদুদা হান্না কেপ্টেন ওইরম্লবা অদুগা হৌজিক্তা মশাগী ওইবা অচিনবা অমদগী শরুক য়াররোই হায়না লাউথোরকপা মনপ্রিট সিংহ



# এস পি ৱাই সীগী মৈরাবনা পাঞ্জল ৪গী মতেংনা ঈ য়ু এস সীবু পাঞ্জল ৬-২দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২ (ঐচএনএস): চালৌ য়ুঠ য়ুনিয়ন ক্লবনা শীন্দুনা ১১রকশুবা লম্লাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওপন ৭-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১ চালৌ কপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এস পি ৱাই সী সৈজাংগী মৈরাবনা পূন্না পাঞ্জল ৪ চনখিবা অদুনা মতেং ওইরগা ঈ য়ু এস ঈ তেলৌবু পাঞ্জল ৬-২দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা এফ সী কাংখুচীংজিনবু এস এস আই সী (বি) লম্লাইনা ৪-৩দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা এফ সী সেক্তা (সী)না ঈ এস এল সাবুংখোকপু ৩-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

নুংথিল পুং ১.৩০দা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা মেটচতা এফ সী কাংখুচীংজিন অমসুং এল এস আই সী (বি) লম্লাই লম্বা তৌনখি। কাংখুচীংজিনগী জর্সি নম্বর ৯ সন্তোশনা শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মদুগী মখা তারকপা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৫ শান্তনা ১৭শুবা মিনটতা অনীশুবা পাঞ্জল অদু হাপচিনবা ঙমখি। মখা তারকপা এটেকতা টিম অদুমক্কী জর্সি নম্বর ১১ অরুননা ২৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৩-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। পাঞ্জল ৩ শোথরবা এল এস আই সী (বি) লম্লাইগী মায়কৈদগী ফজবা অমুক হেল্লকপদগী মখা তানা পাঞ্জল মরী-মরী চনশিল্লকখি। ৩০শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ৮ অবোইনা পাঞ্জল চনখি। মদুগী মতুং টিম অদুগী জর্সি নম্বর ১৭ হেরোজিৎনা ৩৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। টিম অদুগী জর্সি নম্বর ৱান বিদ্যানন্দনা শান্নবগী ৩৯ শুবা অমদি ৪০ শুবা মিনটতা থংন-থংননা পাঞ্জল ২ চল্লগা এফ সী কাংখুচীংজিনবু ৪-৩দা থোইখি।

নুংথিল পুং ২.৩০দা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা মেটচতা এফ সী সেক্তা (সী)না ঈ এস এল সাবুংখোকপু ৩-০দা থোইবা ঙমখি। সেক্তাগী জর্সি নম্বর ৪ কে ঐচ নাওবনা মেটচকী ৭শুবা অমদি ১৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। অদুগা অতোপ্পা শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৭ এস থোইনা ৩৩শুবা মিনটতা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। ঈ এস এল সাবুংখোককী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা মখোয় ০-৩দা মায়থীহৌখি।

ঙসি শান্নখিবা ৩শুবা মেটচতা এস পি ৱাই সী সৈজাং অমসুং ঈ য়ু এস সী তেলৌগা লম্বা তৌনখি। এস পি ৱাই সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১০ মৈরাবনা মেটচ অদুদা পূন্না পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি। মহাক্না শান্নবগী ৪শুবা মিনটতা মহাক্কী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা ১২শুবা মিনটতা চনখি। ঈ য়ু এস সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৮ ইবোতোম্বনা ১৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙম্লবা মতুং টিম অদুগী জর্সি নম্বর ১০ নোবেলনা ইক্বেলাইজর অদু ১৮শুবা মিনটতা চনখি। এস পি ৱাই সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৯ তোন্দোনবনা ২০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনখি। মৈরাবনা মহাক্কী হেটট্রিক অদু ২৬শুবা মিনটতা চল্লগা ইঞ্জুরি টাইমদা টিম অদুগী লোয়া অমদি মৈরাবনা পাঞ্জল অমমম্ চল্লগা ৬-২দা থোইখি।

# কয়াম কুইনা কোরোনাভাইরস কিদুনা লৈগদৌরিবনো : মেরি কোম



ন্যু দেল্লী, ফেব্রুৱারী ২২ (এজেন্সী): টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা হৌখিবা চহীদা জোর্দানদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টতা মায় পাক্তুনা টোকিওগী টিকেট ফংখ্রবী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ৬লক ওইবা ঙমখ্রবী মশাগী চহী ৩৭ শুরবী এম সী মেরি কোমনা কোরোনাভাইরসপু কয়াম কুইনা কিদুনা লৈগদৌরিবনো হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মথংগী চয়োলদা স্পেনদা পাঙথোক্কদবা বোক্সম ইন্টরনেসনল বোক্সিং টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদৌরিবী এম সী মেরি কোম কোভিদ-১৯গী লোকদাউন মনুংদা অতোপ্পা বোক্সরশিংনা লৈঙাক্কী অকনবা মীৎয়েং মখাদা ট্রেনিং হৌবগী অয়াবা ফংখ্রবসু মহাক দেঙ্গী নাদুনা শরুক য়াবা ঙমখিদবনি। অদুবু হন্দক্তা বেঙ্গলুরুদা পাঙথোকপা নেসনল কেম্পতা শরুক য়াখি।

স্পেনগী কাষ্টেলোনদা মার্চ ১দগী ৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা বোক্সম ইন্টরনেসনল বোক্সিং টুর্নামেন্ট অদুদা মেরি কোমনা চহী ১ রোমগী মতুংদা অহানবা ইন্টরনেসনল কম্পিটিসনদা শরুক য়াগদৌরিবনি। মহাক্কী মায়কৈদগী খ্বাইদগী ফজবা মওংদা হোৎনদুনা অফবা রিজল্ট পুরকপা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়না মখা তাখি।

# মৈরাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী টিম মায় পাকখ্রে, টি দব্লিয়ু সী থোইখ্রে, এ জে এস এ অমসুং ৱাই সী সী আই সী দ্রো চংখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২ (ঐচএনএস): মণিপুর হোক্কীনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা ৮শুবা ষ্টেট লেভেল সব-জুনিয়র মেন এন্দ ৱিমেন হোক্কী চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা মৈরা বাশিখোংগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী টিম অনীমক মায় পাকপা ঙমখ্রে। টি দব্লিয়ু সী তৌবুংখোকসু থোইখ্রে। ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন অমসুং ৱাই সী সী আই সী অহল্লুপ দ্রো চংখ্রে।

নুপামচাগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মৈরাগী টিমনা হোক্কী থৌবালবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৮-০দা থোইখি। অহানবা হাফতা মৈরাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৫ চনবা ঙমখি। পাঞ্জল চনখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি এন রোনিন (ফিল্ড গোল), এস এলিশ (ফিল্ড গোল), আর কে ধনেন্দ্রজিৎ (ফিল্ড গোল), কেপ্টেন প্রদিপ ওক্রম (ফিল্ড গোল) অমসুং টি ঐচ য়াইফবা (ফিল্ড গোল)নি। হোক্কী থৌবালগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফতা মৈরাগী মায়কৈদগী টি ঐচ অভিনাশনা ফিল্ড গোল অমা চনশিনখি। লোয়ননা মখা তারকপা শান্নবগী ৪৩শুবা অমসুং ৫০শুবা মিনটতা মৈরাগী টি ঐচ মহেশ অমসুং বর্নেটনা পাঞ্জল অমমম্ চল্লগা ৮-০দা থোইখি।

মৈরাগী নুপীমচাগী টিমনসু হোক্কী থৌবালগী টিমবু পাঞ্জল ২-০দা থোইখি। মেটচকী ২৫শুবা মিনটতা মৈরাগী মায়কৈদগী কেপ্টেন পুর্ণিমানা অহানবা পাঞ্জল অদু ফিল্ড গোলগী মতেংনা চনখি। মদুগী মখা তারকপা মেটচকী ৪৮শুবা মিনটতা টিম অদুমক্কী শান্নরোয় এন কমলানা ফিল্ড গোল অমগা চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না ২-০দা থোইবা ঙমখি।

নুপীগী মেটচ অমদা টি দব্লিয়ু সী তৌবুংখোক্না ওল জিরিবাম স্পোর্ট এসোসিএসনগা লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু তৌবুংখোক্কী সী ঐচ য়ুরিনানা শান্নবগী ৩৩শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা চনবা ঙমখিবনি।

নুপামচাগী ঙসি পুল এগী শান্নখিবা মেটচতা ৱাই সী সী আই সী অহল্লুপ অমসুং ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসনগা লম্বা তৌনখি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসনগী মায়কৈদগী সী ঐচ থোইবনা ৭শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা চনবা ঙমখি। অদুবু ৱাই সী সী আই সীগী মায়কৈদগী টি দেনিকনা ২০শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। শান্নবগী ২৮শুবা মিনটতা ৱাই সী সী আই সীগী টি দেনিকনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২-১দা মাঙজিল থাখি। অদুবু ৩৫শুবা মিনটতা এ জে এস এগী থোইবনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ২-২দা লৈনখ্রবা মতুং ৱাই সী সী আই সীগী বাসু অমসুং এ জে এস এগী থোইবনা পাঞ্জল চল্লগা মহাক্কী হেটট্রিক ফংদুনা ৩-৩দা দ্রো চংখি।

# মোনাকোনা পেরিস সেন্ট জর্মেন পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে

LIGUE 1

পেরিস, ফেব্রুৱারী ২২ (এজেন্সী): লীগ ৱান ফুটবোল টুর্নামেন্টকী হৌখিবা সিজনগী চেম্পিয়ন ওইরিবা পেরিস সেন্ট জর্মেনবু ঙরাং শান্নখিবা ২৬শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মোনাকোনা পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী হৌরকপা শুপ্নগী ৬শুবা মিনটতা মোনাকোগী মায়কৈদগী রুবেন এগুইলরনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট সোফেন দাইওপনা পাঞ্জল চন্দুনা পেরিস সেন্ট জর্মেনবু ঙন্না মাঙজিল থাবা ঙমখি। অহানবা হাফকী লেমহৌরিবা পুংখায় হেনবা মতম অদুদা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদে।

হাফ মতুং হৌরকপা মিনট ৬ চঙশিল্লকপদা মোনাকোগী মায়কৈদগী এটেক অমগী মতেংদা গুইলরমো মরিপননা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা পি এস জিবু ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

মখা তারকপা মেটচকী লেমহৌরিবা মতম অদুদা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মায়কৈদগী কান্নবা ফংখিদে। টিম অদুগী হোৎনখিবা পূম্নমক মোনাকোগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা ঙাকথোক্তুনা লৈখিবদগী মোনাকো মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৫২ ফংবগা লোয়ননা মরিশুবা পোজিসনদা লৈরি।

# আর বি এসনা হর্থা বর্লিনবু থোইদুনা টেবলগী মকোক নকশিনখ্রে

BUNDESLIGA

বর্লিন, ফেব্রুৱারী ২২ (এজেন্সী): রানেসবোলস্পোর্ট লৈপজিগনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা বুন্দেসলিগাগী ২২শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৩-০দা হর্থা বর্লিনবু মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ টেবলদা মকোক্তা লৈরিবা বেয়র্ন ম্যুনিককা নকশিনবা ঙমখ্রে।

ঙরাংগী মেটচ অদুগী ২৮শুবা মিনটতা রাসেনবোলস্পোর্টকী মায়কৈদগী দেনিএল ওলমোনা পীরকপা বোলদা মার্শেল সাবিটজরনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মেটচকী লেমহৌবা অহানবা হাফ অদুগী মতমদা হর্থা বর্লিনগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাপকী পুংখায় অমরোম ফাজিল্লক্কদবা মতম ৭১শুবা মিনটতা টাইলর অদামসনা পীরকপা বোলদা রাসেনবোলস্পোর্টকী নোর্দি মুকেলিনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। মেটচ লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্ত্রবা ফাওবদা হর্থা বর্লিন স্কোর তৌবা ঙমখিদে। মদুগী ওন্নবদা রাসেনবোলস্পোর্টকী মায়কৈদগী চথখিবা এটেক অমদা মার্শেল সাবিটজরনা সপ্লাই তৌরকপা বোল অমদা ৱিলি ওর্বাননা ৮৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল চল্লগা ৩-০দা থোইদুনা বেয়র্ন ম্যুনিকতগী পোইন্ট ২ হন্থরগা ৪৭ ফংদুনা অনীশুবদা লৈরি।

# মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ৩-১দা থোইখ্রে

PREMIER LEAGUE

লন্দন, ফেব্রুৱারী ২২ (এজেন্সী): মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ২৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা পাঞ্জল ৩-১দা থোইদুনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈখ্রে।

মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী হোম গ্রাউন্দ ওল্ড ট্রাফোর্দতা শান্নখিবা মেটচ অদু অহৌবা পুংখায় য়ৌদ্রিবা ফাওবদি লম্বা মান্নদুনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদে। পুংখায় হেক ফারকপা মতমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী হেরি মেগৱেরনা পীরকপা বোল অমদা মার্কস রাসফোর্দনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। ন্যু কাসল য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী অলান সেন মেক্সিমিননা ৩৬শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা মেটচকী অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১২ চঙশিল্লকপদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী ফংখিবা এটেক অমদা ব্রুনো ফর্নান্দেজনা সপ্লাই তৌরকখিবা বোল অমবু টিমমেট দেনিএল জেমসনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদপু ২-১দা মাঙজিল থাখি। শান্নবগী ৭৫শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী ব্রুনো ফর্নান্দেজনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদপু ৩-১দা হেনখি। লেমহৌবা মিনট ১৫গী মতমদা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ৩-১দা মায় পাক্তুনা হান্না পোইন্ট ৪৬ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরম্বা অদু ৪৯ ফংলগা অনীশুবদা হাইগৎখি।

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী পোইন্ট টেবলদা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা চপ মান্নবা মেটচ মশীংদা পোইন্ট ৫৯ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙম্লি। লেষ্টর সিটিসু পোইন্ট ৪৯ ফংলি অদুবু গোল দিফরেন্সতা য়ুনাইটেদনা হেনবদগী থাক অমা হন্থরি।

# ইন্টর মিলাননা এ সী মিলানবু ৩-০দা থোইদুনা মকোক্তা অদুম্মক লৈরি

SERIE A

রোম, ফেব্রুৱারী ২২ (এজেন্সী): ইটলিগী মিলান সিটিদা লৈবা ক্লব অনীগী লম্বাদা ইন্টর মিলাননা এ সী মিলানবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইদুনা লৈবাক অদুদা পাঙথোকপা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা সেরি এগী পোইন্ট টেবলদা মমাংদা পোইন্ট ৫০ ফংলগা মকোক্তা লৈরম্বা অদু ৫৩ ফংদুনা অদুম্মক লৈবা ঙম্লি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী হৌরকপা য়াম্না ঙম্লিঙৈদা ইন্টর মিলানগী মায়কৈদগী রোমেলু লুকাকুনা ফংখিবা বোল অমা য়াম্না ফজনা খায়দোরকপদা টিমমেট লোটারো মার্টিনেজনা খুদোংচাবা মাঙহন দবমখে অহানবা পাঞ্জল অদু ৫শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদুগী মতুং এ সী মিলানগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শোথখিবা অদু ফুগৎনবা লাক্লখি। অদুবু মখোয়গী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ওইবা য়াবা তাঞ্জা লৌবা ঙমখিদবদগী হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১২ চঙশিল্লকপদা ইন্টর মিলানগী মায়কৈদগী ইভান পেরিসিকনা পীরকপা বোল অমদা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা লোটারো মার্টিনেজনা শান্নবগী ৫৭শুবা মিনটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমখি। পাঞ্জল অনী মাঙজিল থারবা ইন্টর মিলানগী শান্নরোয়শিং হেন্না পাঙ্গল লৈরকখি। শান্নবগী ৬৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী ইভান পেরিসিকনা অমুক্কা হন্না পীরকপা বোল অমদা রোমেলু লুকাকুনা পাঞ্জল চন্দুনা ৩-০দা মাঙজিল থাখি। লেমহৌবা মতম অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী ইন্টর মিলাননা এ সী মিলানবু ৩-০দা থোইদুনা রাউন্দ ২৩ লোইশিল্লকপদা ইন্টর মিলান পোইন্ট ৫৩ ফংলগা এ সী মিলানদগী পোইন্ট ৪ হেল্লগা লৈরি।

ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯜꯁ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN   CLASS 10 REVISION   Starts on 12th Feb., 2021
FOUNDATION COURSE   Class 6 to 10   Starts on 19th February 2021

Reshmi Nandeibam
PITAMBRA ENGLISH SCHOOL
D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi



It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success.
— Reshmi Nandeibam

1ST POSITION 2020

TOPPERS of 2020



| 9TH POSITION | 10TH POSITION | 15TH POSITION | 19TH POSITION | 19TH POSITION | 25TH POSITION | 25TH POSITION |
|---|---|---|---|---|---|---|
| NOVEENA KSH<br>D/o. Sarvodayachand<br>Nirmalabas | CHALTAN Y.<br>S/o. Y. Shantikumar<br>St. Joseph | TH. JEET<br>S/o. Th. Rashi<br>St. Joseph | DHANTHOI S.<br>D/o. S. Homeshor<br>Nirmalabas | MARY L.<br>D/o. Dr. John P.<br>Little Flower | H. NANDIBALA<br>D/o.H. Nandalal<br>Nirmalabas | HENRY O<br>S/o. O. Kumud<br>St. Joseph |

| HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST | | | | | | | VAN AVAILABLE |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Date | 18/02/2021 | 22/02/21 | 24/02/21 | 27/02/21 | 03/03/21 | 06/03/21 | |
| Sub: | English | Maths | MIL | S. Sc. | Science | Adl. Sub. | |

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS   CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342

HL-B/6780/10/2-17/3

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 38

**Ercan, Eren (1242) - Schiele, Kilian (1150)**
**DSOL 10. Liga Gruppe A play.chessbase.com, 2021.01.22**

1.e4 e6 2.Nc3 d5 3.d4 Bb4 4.Nge2 dxe4 5.g3 Nf6 6.Bg5 Nbd7 7.Bg2 h6 8.Bxf6 Nxf6 9.O-O O-O 10.Nxe4 Bd7 11.c3 Be7 12.Nxf6+ Bxf6 13.Bxb7 Rb8 14.Be4 Rxb2 15.Bc2 Qe7 16.Qd3 g6 17.Rfb1 Rfb8 18.Nc1 e5 19.Nb3 Bf5 20.Qe3 Rxc2 21.Rc1 Bg5 22.f4 exf4 23.Qxe7 Bxe7 24.gxf4 Re2 25.Re1 Rc2 26.Rxe7 Rxc3 27.Rae1 Be6 28.Nc5 Kf8 29.Rxc7 Kg8 30.Rxa7 Rc2 31.Nxe6 fxe6 32.h3 Rb4 33.d5 Rb8 34.dxe6 Re8 35.Ra6 Re7 36.h4 Rc4 37.Rd6 Kf8 38.h5 Rxf4 39.hxg6 Rg4+ 40.Kf2 Rxg6 41.Kf3 Rf6+ 42.Kg4 Rf2 43.Kg3 Rxa2 44.Rf1+ Ke8 45.Rf6 h5 46.Rh6 Rg7+ 47.Kh3 Ra3+ 48.Kh4 Rg4+ 49.Kxh5 Rg1 50.Kh4 Ra2...

**QUESTION :**
**Black wins in 5 moves**

Puzzle 37 Ans. :
**17.**..Bc4 **18.**Qd8 Na6 **19.**Qf6 Bxa2 **20.**Qg7#
**18.**Qd8 Nd7 **19.**Qxd7 Bxe2 **20.**Rfe1 Qh5 **21.**Rd2 Qg4 **22.**Qd4

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER - I**
**Ref :- Mut. Case No. 40/AS & SO-I- 2021**
Moirangthem Khogen Singh S/o (Late) M. Ibotombi Singh of Porompat Kshetri Leikai. - Petitioner
-Vs-
Moirangthem Ibotombi Singh S/o (Late) M. Angou Singh of Porompat Kshetri Leikai.
ꯆꯦꯅꯕꯤꯡ / NOTICE
22/2/2021
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহঞ্জরি মদুদি খুন নং ২৮- পোরোম্পাৎকী পাট্টা নং ১৭৪ (অরিবা), ১২০/৮৮৯ (অনৌবা), দাগ নং ৭৫/৭৪০, এরিয়া ১৬২৫ (একর) চাওবা ইঙ্খোল অসিগী মোইরাংথেম ইবোতোম্বী পীং মৃ: মোইরাংথেম অঙৌ সিংহ মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কল্লুগা পিটিস্নরগী মমীংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেদা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি য়েৎপীবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌজরোই। হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজরগনি।
*Sd/-* **Assistant Survey & Settlement Officer - I, Lamphelpat, Imphal**
HL-P/7079/23

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER - I**
**Ref :- Mut. Case No. 45/AS & SO-I- 2021**
Chingakham Jugin Singh S/o (L) Chingkham Gopiram of Andro Nagas Panchayet Imphal East. - Petitioner
-Vs-
(Late Pattadar) Chingkham (O) Gobindo Devi W/o Chingkham Jugin Singh of Kongpal Mutum Leikai.
ꯆꯦꯅꯕꯤꯡ / NOTICE
22/2/2021
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহঞ্জরি মদুদি খুন নং ২৮- পোরোম্পাৎকী পাট্টা নং ৪৫ অং (অরিবা), ৫৬/৭৫৪ (অনৌবা), দাগ নং ১৭৮/৬১৮, এরিয়া ০.০৪৬ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী মপু মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা পিটিস্নরনা নামা (মিং) ওনশিনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাট্টাদারগী মমিং কল্লুগা পিটিস্নরগী মিংদা ওল্লনি। লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি (ওবজেক্সন) কোর্ট অসিনা লৌজরোই। হৌনবী মতুংইন্না কোর্ট অসিনা কেস মখা চথজরগনি।
*Sd/-* **Assistant Survey & Settlement Officer - I, Lamphelpat, Imphal**
HL-P/7079/23

**IN THE COURT OF THE SUB - DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG**
**Ref :- Mut. Case No.130/SDC/M   dt. 20/02/2021**
R.K. Bijayalaxmi Devi W/o Hitendra Chanambam of Sagolband Moirang Leirak, Imphal West.
-Vs-
(Late) Chanambam Upendro Singh S/o (Late) Ibomcha Singh of Sagolband Moirang Leirak, Imphal West.
ꯆꯦꯅꯕꯤꯡ / NOTICE
Moirang, the 22nd Feb., 2020
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৫৩দা লৈবা পাট্টা নং ৩৩৮ অনৌবা, সী এস দাগকী নং ৭০৭৮, এরিয়া ৫.৪৬ একর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মীংদা লৈবা লৌফম অসি মশাগী ইমুং-মনুং মমৌনা নামা (মীং) ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।
HL-P/9105/23   *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**,Moirang

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM**
**Ref :- Mut. Case No. 121 of 2021**
(1) Moirangthem Narahari Singh S/o (L) Ahong Singh of Leimaram. (2) -do- Tomba Singh S/o -do- of -do- (3) -do- Gourachandra Singh S/o -do- of -do- -Applicants
-Vs-
(L) Moirangthem Ahong Singh S/o M Jugol Singh of Leimaram Village. - O.P. Pattadar
ꯆꯦꯅꯕꯤꯡ / NOTICE
Oinam, the 22nd February, 2021
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুন নং ২৮- লৈমপোকপমগী পাট্টা নং ২৩৯ (অনৌবা), দাগ নং ১২৬৮, এরিয়া ১.৩৭ চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারি অহুম্না মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লুগা মখোয়গী মমীংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুং লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।
HL-P/9035/23   *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Oinam**